# জে এন য়ুগী ৱাথোক হরভার্দ য়ুনিভর্সিটি য়ৌরে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
মহৈরোয় লুচিংবা কহ্নাইয়া মুমার থাদোকহন্নবা জে এন য়ুনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী হরভার্দ য়ুনিভর্সিটিনা শৌগৎলকখ্রে।

হরভার্দ স্কুৱারদা মহৈরোয় খরনা কহ্নাইয়া কুমার খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়না খোঙজং চঙশিনখি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয় অমনা হায়খি মদুদি, মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ফ্রীদম ওফ স্পিছ অমসুং ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন লৈহনগদবনি। গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবগীদমক জে এন য়ুগী মহৈরোয় অমা ফাজিনখিবা য়ানিংদে।

মরকসিদা, সুপ্রিম কোর্টনা জে এন য়ু ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহ্নাইয়া কুমারগী বেল পিটিসন হিয়ারিং চথুখিদ্রে।

জষ্টিশ জে চেলামেশ্বর অমদি জষ্টিশ অভে মনোহর সপ্রেনা শাবা এপেক্স কোর্টকী বেঞ্চ অমনা কহ্নাইয়াগী পিটিসন অদু দিল্লি হায় কোর্টতা ট্রান্সফর তৌখি।

সুপ্রিম কোর্টনা কহ্নাইয়াগী রিট পিটিসনগা মরী লৈনবা চে-চাং পুন্নমক হায় কোর্টতা ট্রান্সফর তৌখিনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি। পিটিসন অদুদা কহ্নাইয়া কুমারনা হায়খিবনি মদুদি, মহাক্কী পুন্সি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মরম্না সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং চঙলকপা মথৌ তারে।

অমরোমদা, জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিদা এন্টি ইন্দিয়া প্রোটেষ্ট চথুখি হায়বা মরাল শীরিবা উমর খালিদ কৌবা মহৈরোয় অমগী অপোকপনা হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা খুদোংথীবা অমত্তা থোকহল্লোই হায়না থাজবা পীরবদি মচানুপা অদু কোর্টতা সরেন্দর তৌহনগনি।

পনবা য়াবদি, জে এন য়ুগী কেম্পসতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ঙসি ফাওবা উমর খালিদ লোত্তুনা লৈরকখিবনি।

মহাক্কী অপোকপনা হায়খি, উমর খালিদকী পুন্সি খুদোংথীনিংঙাই ওইরে। করিগুম্বা হোম মিনিষ্টরনা খালিদকী পুন্সিদা খুদোংথীবা অমত্তা থোকহল্লোই হায়না থাজবা পীরবদি মহাক (উমর খালিদ) পু সরেন্দর তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি। লৈবাক্কী জুদিসিয়ারিদা চেৎনা থাজবা থম্বা তারবসু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি কোর্ট কমপ্লেক্স মনুংদসু কনাগুম্বা মীওই অমগী পুন্সি খুদোংথীনিংঙাই ওইরে। পাউমীশিংদা এটেক চথুরে। লৈবাক্কী লো ঙাক্লা থবক তৌগনি হায়না ৱাশকখিবা উকিলশিংনা লো থুগাইদুনা খৎন-চৈনবগী থৌওং চথুরক্লে।

করিগুম্বা হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লবদি উমর খালিদপু কোর্টতা সরেন্দর তৌহনবা ঙমগনি হায়না মহাক্কী অপোকপনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

জে এন য়ুগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মরাল লৈরে হায়না মমিং লাউথোকখ্রবা মীওই ২০গী মনুংদা উমর খালিদসু অমনি। পুলিসনা মহাকপু ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

খালিদকী অপোকপা সয়ীদ কাশিম ইলয়াসনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, মহাক্কী মচানুপা অদু মুস্লিম ওইরুবগীদমক মহাক্কী মথক্তা মরাল কয়া শীরকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুবা মথৌ তাই।

উমর খালিদনা মতম অমদা ষ্টুদেন্ট’স ইস্লামিক মুভমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (এস আই এম আই)গা মরী লৈনখিবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ইলয়াসনা হায়খি, কুমজা ১৯৮৫গী মতুংদা পোল্লকখিবা মীওই অমবু কুমজা ২০০১দা অথিংবা থমখ্রবা ওর্গনাইজেসন অমগা মরী লৈনহল্লকপা য়ানিংদে।

উমরনা পাকিস্থানগা অরোনবা মরী থম্লে হায়বা ৱাফম অমগী মতাংদা ইলয়াসনা হায়খি, “ঐখোয়গী ইমুংদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক পাসপোর্ট পায়দুনা মপান লৈবাক্তা চৎপা তারবসু উমরগীদি পাসপোর্ট লৈতে। পাসপোর্ট লৈতবা মীশক অমনা মতৌ করম্না পাকিস্থানদা চৎতুনা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম) অমদি মসিগী লুচিংবা হাফিস সয়ীদকা উনগদৌরিবনো হায়না মহাক্লা পাউমীশিংদা হংখি।

# হমিদ অন্সারিনা বজেট মীফম মাঙওইননা রাজ্য সভাগী লুচিংবশিংগী মীফম কৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন হমিদ অন্সারিনা ফেব্রুৱারী ২৩দগী হৌগ-দৌরিবা বজেট মীফম মাঙওইননা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী মরুওইবা মীফম অমা কৌখ্রে।

মমাঙগী মীফমশিংদা ওপোজিসননা অয়েৎপা পীরকপদগী মরুওইবা বিল কয়া পাস তৌবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেননা হন্দক্কী বজেট মীফমদা অপনবা অমত্তা থোকহন্দনবগীদমক মীফম অসি কৌখিবনি হায়রি।

থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু শরুক য়াগদৌরি। হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা অন্সারিনা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিগী লুচিংবশিংগা উনদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা বজেট মীফমগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি।

গভর্ণমেন্ট পায়রিবা এন দি এনা রাজ্য সভাদা মেজোরিটি ওইদবা মরম্না মরুওইবা বিল অয়াম্বা পাস তৌবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। কোংগ্রেস অমদি অতৈ মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা কয়ারক হন্না অপনবা পীরকপদগী বিলশিং পাস তৌবা ঙমখিদবনি।

রাজ্য সভাগী নিংথম মীফমসু মওং মরিল তানা পাঙথোকপা ঙমদবদগী হৌখিবা দিসেম্বর ২৩দা মতম কক্তনা মীফম য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোকখিবনি। হন্দক্কী বজেট মীফমদা ওপোজিসননা অপনবা অমত্তা থোকহন্দনবগী পান্দমদা লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজন অমদি পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যের্স মিনিষ্টর এম ভেনকয়ানাইদুনা ফেব্রুৱারী ২২দা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী মীফম কৌদুনা খন্ন-নৈনগদৌরি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৪ দসু নাইদুনা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি কয়াগা উনদুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবা লৈখ্রবনি।

হন্দক্কী বজেট মীফমদা গভর্ণমেন্টনা মরুওইবা বিল কয়া পাস তৌনবা হোৎনরি। হায়রিবা বিলশিং অদুগী মনুংদা গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি)বিলসু অমনি।

মমাঙগী মীফম অনীমক্তা ওপোজিসননা জে এন য়ুগী ৱাথোক, দলিট মহৈরোয় রোহিট ভেমুলা শিখিবগী ৱাফম, অরুনাচল প্রদেশতা প্রসিদেন্ট’স রুল থমখিবা অমদি পথানকোটতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবা য়াওনা মরুওইবা ইস্যু কয়া পুখৎতুনা অপনবা পীরকপদগী মওং মরিল তানা মীফম পাঙথোকপা ঙমখিদে।

জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি অমদি দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর খনবগী মতাংদসু ওপোজিসন পার্টিশিংনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ৱাফম কয়া পুখৎলকখি। পুন্নমক অসিনা মরম ওইরদুনা মমাঙদা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অনীমক্তা মরুওইবা বিল কয়া পাস তৌবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা নাইদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী উনদুনা জি এস টি অমদি মরুওইবা বিল কয়া পাস তৌনবগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম ফেব্রুৱারী ২৩দগী হৌনবা মতম লেপখ্রবনি। মীফমগী অহানবা শরুক্তা ফাইনান্সিয়ল বিজিনেস খন্নরবা মতুংদা ফেব্রুৱারী ২৯দা জেনরেল বজেট পুথোক্কনি হায়রি।

করিগুম্বা হন্দক্কী মীফম অসিদসু ওপোজিসননা অপনবা পীরক্লবদি জি এস টি য়াওনা মরুওইবা বিলশিং পাস তৌবা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈরি। মরম অদুনা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারিনা বজেট মীফম মাঙওইননা মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী লুচিংবশিংগা উনদুনা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা রাজ্য সভাগী মরুওইবা লুচিংবশিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগদৌরি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পি দি পিগা খুৎশম্নরগা গভর্ণমেন্ট শেম্নগনি : বি জে পি



জম্মু, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
পিপল’স দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)গী প্রসিদেন্ট মেহবুবা মুফটিগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা বি জে পিনা হায়খ্রে মদুদি, অথুবা মতমদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী গভর্ণমেন্ট শেম্নগনি।

বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট সাট শর্ম্মনা হায়খি, অথুবা মতমদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী গভর্ণমেন্ট শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হীরম অসিগী মতাংদা বি জে পিনা পি দি পিগী মরুওইবা লুচিংবশিংগা ৱারী শানরি।

রাম মাধবনা ঙরাং মেহবুবা মুফটিগা উনখিবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা বি জে পিগী লুচিংবা অসিনা হায়খি, পার্টি অনী খুৎশম্নরগা অথুবা মতমদা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী মতাংদা পি দি পিনা পুখৎলকখিবা কন্দিসন খরগা মরী লৈননা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়খি, মমাঙদা য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লা চৎপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা পার্টি অনীনা ষ্টেট অসিদা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট শেম্নগনি।

ইন্দিয়াগী মরুওইবা ষ্টেট অমা ওইরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা মতম শাংনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমদনা লাকখিবদগী ষ্টেট অসি হীরম কয়াদা শোথুবগী ফীভমদা লৈরে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লবগীদমক জম্মু এন্দ কাশ্মীরদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট (অফস্পা) লৌথোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না বি জে পিনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রবনি।

বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা ঙরাং পি দি পিগী প্রসিদেন্ট মেহবুবা মুফটিগা উনদুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মতাংদা ৱারী শানখি।

হৌখিবা জন্যুৱারী ৭ তা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর মুফটি মহমদ সয়ীদনা ন্যু দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরদুনা লৈখিদ্রবা মতুংদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙমদবদগী ষ্টেট অসিদা গভর্নর’স রুল থমখিবনি।

অপোকপা মপা লৈখিদ্রবা মতুংদা পি দি পিগী প্রসিদেন্ট মেহবুবা মুফটিনা হায়খি মদুদি, বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা ৱাফম খরদা মপুং ফানা থাজবা পীরবদি ষ্টেট অসিদা মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবা ঙমগনি।

অমরোমদা, বি জে পিনা হায়খি মদুদি, মমাঙ চহীদা পি দি পি অমসুং বি জে পিনা য়ানখিবা ৱাফমশিং অদু মখা তানা চৎনখিগনি। হায়রিবা এগ্রীমেন্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকনি।

মুফটি মহমদ সয়ীদ লৈখিদ্রবা মতুংদা মেহবুবা মুফটিনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌ হায়বা য়াদবদগী ষ্টেট অসিদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোরকখিবগা লোয়ননা গভর্নর’স রুল থমখিবনি।

ৱাথোক অসি লোইহন্দুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মতাংদা বি জে পিগী লুচিংবা রাম মাধবনা ঙরাং মেহবুবা মুফটিগা উনদুনা হীরম কয়াদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট সাট শর্ম্মনা হায়খি, মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না অথুবা মতমদা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা ষ্টেট অসিদা শেম্নগনি।

# জাট ক্বোটাগী খোঙজং : হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা আর্মি কৌশিনখ্রে

রোহটক, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
জাটশিংগী ক্বোটা পীগদবনি হায়না হরিয়ানাগী দিষ্ট্রিক্ট ৮দা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং নমথনবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা আর্মি কৌশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খটারনা জাট ফুরুপতা ক্বোটা পীনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু মীয়ামগী খোঙজং লেপ্তুনা চথুরকখি।

হরিয়ানাগী দি জি পি ৱাই পি সিংহালনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, রোহটক, ঝাজর, সোনিপট, ভিৱানি অমসুং হিসার দিষ্ট্রিক্তা আর্মিগী মতেং লৌরগা মীয়ামগী খোঙজং নমথনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হীরম অসিগী মতাংদা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরগা পাউ ফাওনরে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ন্যুজ এজেন্সী অমগা ৱারী শানখিবদা দি জি পিনা হায়খি, রোহটক টাউনদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওই অমনা নোংমৈ কাপ্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী পার্সনেল অমা অশোক-অপন নংলে। জাটশিংগী খোঙজং কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা মীওই অমা শিখ্রবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা আর্মিগী মতেং লৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা জাট ফুরুপকী লুচিংবশিংনা হায়খি মদুদি, অথুবা মতমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লেজিসলেসন অমা পাস তৌদুনা ক্বোটা পীনবা থৌরাং লৌখৎলক্তবা তারবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

মরকসিদা, ওথোরিটিশিংনা রোহটকতা মতম কক্তনা মোবাইল ইন্টর্নেট অমসুং এস এম এস সার্ভিস থিংজিনখ্রে। মীয়ামগী খোঙজং নমথনবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা অথিংবা অসি থমখিবনি।

প্রোটেষ্টরশিংনা দিল্লি-অম্বালা অমসুং হিসার-ধুরি লম্বীদা ফমজিন্দুনা লৈখিবদগী ট্রেন সার্ভিসতা চাউনা অপনবা থোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু খোঙজং চঙশিল্লিবা জাটশিংনা হেন্না কনবা মওংদা খোঙজং চঙশিন্দুনা পানিপটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লম্বী থিংখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরদুনা উত্তর প্রদেশ তম্না চেনবা গাড়ীশিংদা অপনবা পীরে হায়রি।

জাটশিংনা মরুওইবা লম্বী পুন্নমক থিংজিনখিবদগী হরিয়ানা রোদৱেজনা বস সার্ভিস পুন্নমক লেপখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। রোহটকতা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা আই পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম অমত্তদা মীওই ৫ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পুনবা য়ারোই হায়না লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা ওল ইন্দিয়া জাট অরক্সন সঙ্গর্স সম্মিটিগী নেসনল প্রসিদেন্ট য়াশপাল মালিকনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি চৎনবা য়ারোই। জাট ফুরুপকী মীওইশিংবু অপঙবা শীবগী মওংদা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা মীয়াম্বু হেন্না খোইশাওনবা পোকহল্লে।

# পথানকোটকী থৌদোক : পাকিস্থানগী এফ আই আরদা জে ঈ এম পল্লক্ত্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
পথানকোটতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবগী মতাংদা পাকিস্থাননা ইনভেষ্টিগেসন চথুরদুনা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আরদা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম) অমসুং মসিগী লুচিংবা মাসুদ অঝরগী মমিং পনখিদ্রে।

থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, পাকিস্থাননা পথানকোটকী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অদু থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু এফ আই আরদা জে ঈ এম নৎত্রগা মসুদ অঝরগী মমিং পনখিদবা থৌওং অদু য়ানিংদে।

হৌখিবা জন্যুৱারী ২ দা পঞ্জাবকী পথানকোটতা লৈবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী মরুওইবা বেজ অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবনি। সিক্যুরিটি পার্সনেল ৭ শিখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাকিস্থাননা ইনভেষ্টিগেসন চথুনবা ফিরেপ লৌরকপবু ইন্দিয়ানা থাগৎপা ফোঙদোকই। অদুমওইনমক এফ আই আরদা জে ঈ এম নৎত্রগা লুপ অসিগী লুচিংবা মসুদ অঝরগী মমিং পনখিদবা থৌওং অদুদি য়ানিংদে হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাকিস্থানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা লৈবা গুজরনৱালাগী কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্টতা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি।

পথানকোটকী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থিজিন-হুমজিনবগী থৌরাং লৌখৎনবগীদমক এফ আই আর অদু ফাইল তৌখিবনি হায়না পাকিষ্টানি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

পঞ্জাব প্রোভিন্সকী রানা সনাউল্লাহনা হায়খি, ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট ফংলবা মতুংদা পথানকোটকী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মরাল লৈবা মীওই খুদিংমক মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চাবা ৱাফম খঙদ্রিবা মরম্না মসুদ অঝরগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা ঙমদে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদু পাকিস্থানদা বেজ তৌবা জে ঈ এম অমদি মসিগী লুচিংবা মসুদ অঝরনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা থোকহনখিবনি হায়না ইন্দিয়ানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা রানা সনাউল্লাহনা হায়খি, মতিক চাবা খুদম চাংদম ফংদ্রিবা মরম্না মসুদ অঝরগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা ঙমদে। ইন্দিয়ানসু হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা খুদম পীরকপা লৈত্রি।

# সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংদা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎপা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা খোঙথাংনি : আর জে দি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি খুদিংমক্তা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎকদবনি হায়বা গভর্ণমেন্টকী ৱাফম অমবু রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

আর জে দিগী স্পোক্সপার্সন মনোজ ঝানা পাউমীশিংদা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লে। লৈবাক্কী ফিরাল চিংখৎলগা মীপুম খুদিংমক লৈবাক নীংবগী ৱাখল পোকহনগনি হায়না খল্লিবা বি জে পিগী ৱাখল্লোন অসি মতম চানা শেমদোকহৌবা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি, য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিছোর্সেস দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর স্মৃটি ইরানিনা ময়ায় তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ৩৯গী ভাইস চান্সেলরশিংনা য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রবনি। মহৈরোয় অমদি ওজা খুদিংমক্কী থম্মোয়দা লৈবাক নীংবগী ঈথিল পীনবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না স্মৃটি ইরানিনা ফোঙদোকখি।

থৌরাং অসিগী মতাংদা আর জে দিগী স্পোক্সপার্সন মনোজ ঝানা হায়খি, লৈবাক্কী ফিরাল চিংখৎলগা মীপুম খুদিংমক লৈবাক নীংবগী ৱাখল পোকহনগনি হায়না খল্লিবা বি জে পিগী ৱাখল্লোন অসি খুদোংথীনিংঙাই ওই।

পনবা য়াবদি, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি খুদিংমক্তা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎনবা গভর্ণমেন্টনা ঙরাং মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রবনি।

হ্যুমেন রিছোর্সেস দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংদা ফুট ২০৭ ৱাংনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎকদবনি।

জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা এন্টি ইন্দিয়া প্রোটেষ্ট চথুরকপদগী গভর্ণমেন্টনা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎনবা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহৈরোয় খরনা জে এন য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখিবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্ট এটেক্তা চেন্নবা অফজল গুরুবু কুমজা ২০১৩দা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

যাদবপুর য়ুনিভর্সিটিদসু মহৈরোয়শিংনা জে এন য়ুগী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা কাশ্মীর, মণিপুর অমদি নাগালেন্দ নিংতমহনগদবনি হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউরকখি।

কোলকাটাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পস মনুংদা মহৈরোয় খরনা অফজল গুরু থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চেজাই কয়াসু চাইথোকখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা যাদবপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর শুরঞ্জন দাসনা হায়খি মদুদি, লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবা মীওই খরনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা মহৈরোয়শিংবু খোঙজং চঙশিনহনখিবনি। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা অখিল ভারতিয়া বিদ্যারঠি পরিষদ (এ বি ভি পি)গী এক্টিভিষ্ট কয়ানা যাদবপুর য়ুনিভর্সিটি মনুংদা চঙনবা হোৎনবদা মহৈরোয়শিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা অথিংবা পীখি।

বি জে পিগী লুচিংবা রুপা গঙ্গুলিসু মহাক্কী সপোর্টর খরগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা চঙনবা হোৎনখি। অদুবু মায় পাকপা ঙমখিদে।

মরকসিদা, সুপ্রিম কোর্টনা জে এন য়ু ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহ্নাইয়া কুমারগী বেল পিটিসন হিয়ারিং চথুররোই হায়না ফোঙদোকখ্রে। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩২গী মখাদা বেল পীবীয়ু হায়না কহ্নাইয়া কুমারনা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা হীরম অসিগা মরী লৈননা হিয়ারিং চথুনবা কেস অসি দিল্লি হায় কোর্টতা রিফর তৌখ্রবনি।

পিটিসন অদু থাঙ্গৎলকপা মতমদা জষ্টিশ জে চেলামেশ্বর অমদি জষ্টিশ এ এম সপ্রেনা শাবা বেঞ্চকী কোর্টরুম মনুংদা চরাংনবা থোকখি। আর পি লুথ্রা কৌবা সুপ্রিম কোর্টকী এদভোকেট অমনা হায়খি মদুদি, কহ্নাইয়া কুমারগী বেল পিটিসন অসি হিয়ারিং চথুফম থোক্তে।

অমরোমদা, জষ্টিশ চেলামেশ্বরনা হায়খি মদুদি, কনাগুম্বা লৈবাক্কী সিটিজন অমনা মশাগী ফন্দামেন্টেল রাইটস ফংনবগীদমক কোর্টতা ৱাকৎলকপা মতমদা হিয়ারিং চথুফম থোকই।

পনবা য়াবদি, ফেব্রুৱারী ১৫ দা কহ্নাইয়া কুমারবু দিল্লিগী কোর্ট অমদা পুথোরকপদা উকিলশিংনা ঈরাং হৌরকপা লৈখ্রবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা মহৈরোয় লুচিংবা অসিবু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা দিল্লি পুলিসতা চেকশিন ৱারোল পীখ্রবসু খোইশাওনরবা উকিলশিংগী মখুৎতগী মহাকপু কনবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা দিল্লি হায় কোর্ট অমদি উকিলশিংগী টিম অমনা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা সুপ্রিম কোর্টতা লানখৎখ্রবনি।

টৈংগাপ্রোং/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/2927/29/01-28/02

নহাক্কী বেঙ্ককী থবক মতৌশিংগী মরমদা থাঙ্গৎনিংবা নহাক্কী ৱাকৎ লৈব্রা?

নহাক্কী বেঙ্কতু মশানা পীজখিবা অইবা ৱাশকশিং ঙাক্তবরা?
*
নহাক্কী বেঙ্কনা ক্রেদিট কার্দ য়াওনা প্রদক্ট অমা / ফাইনান্সিএল সার্ভিসশিং য়োনবদা মরুওইবা টার্মশিং অমসুং কন্দিসনশিং শেংনা তাকথোক্তবরা?
*
নহাক্কী বেঙ্কনা লৈরিবা রেটশিং অমসুং চার্জশিংগী মরমদা ময়েক শেংনা খঙহনবরা?
*
নহাক্কী বেঙ্কনা আর বি আইগী গাইদলাইনশিং ঙাকপরা?
*
নহাক্কী বেঙ্কনা বেঙ্কিং কোদ এন্দ ষ্টেন্দার্দস বোর্দ ওফ ইন্দিয়ানা থোকখিবা কষ্টমরশিংদা পীবা কোদ ওফ বেঙ্ককী কম্মিটমেন্ট ঙাক্লা চৎপরা?

**"বেঙ্কিং ওমবুদজমেন স্কিম, ২০০৬"** কী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না **বেঙ্কিং ওমবুদজমেন**না নহাক্কী ৱাকৎ অদু লৈখায় তাহনবদা মতেং পাংগনি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক ভিজিট তৌবীয়ু: http://rbi.org.in/commonman

নৎত্রগা কন্টেক্ট তৌবীয়ু
ওফিস ওফ দা বেঙ্কিং ওমবুদজমেন
রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ৩সুবা মথোল
ইষ্টেসন রোদ, গুৱাহাটি - ৭৮১০০১
ফোন: ০৩৬১-২৫১০০৫৪, ফেকস:০৩৬১-২৫৪০৪৪৫
ইমেল: boguwahati@rbi.org.in

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, গুৱাহাটি - ৭৮১০০১ গী বেঙ্কিং ওমবুদজমেন ওফিসনা মীয়ামগী য়েংদুনা ইস্যু তৌজবা

HL-B/2971/20

MGT TATA MOTORS (P) LTD.
MG AVENUE IMPHAL

URGENTLY REQUIRED 4 (FOUR) FIELD SERVICE MARKETING EXECUTIVES

The Details are as follows:
1. Should have a mobile phone with Internet Access whatsApp (Smart Phone). 2. Schould have a two wheeler. 3. Experience in Marketing-Pharmacy, Mobile. 4. Age between 22-25. 5. Salary 1st 6 months Rs. 5000+Incentive @ Rs. 300/ FIP (Fuel Injection Pump), Mobile and Net Expenses, Fuel Expenses. 6. Should have experience at least for 1 year any field. 7. Should have the willingness to go in field any time. 8. Home preferably from the following locations **a) Mantripukhri b) Wangkhei c) Nambol d) Khurai.**

**Kindly Contact or Mail to HR Manager,
MGT TATA MOTORS.
soniya@mgtmotors.com # : 8416014686**

HL-B/2967/18,19,20 Feb.